## মুসুগী খোঙজং হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) : এম যুগী ভি সীগা মুসুগা য়ানবা পুরকপদগী খোঙজং চঙশিল্লম্বদু হন্দোকখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সীগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্ট'স য়ুনিয়ন (মুসু)গী মীহুৎশিংগা ঙসি উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা ভি সীনা ওফিস মতম চানা লাক্তুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী থবক থৌওংশিং য়েংশিল্লগনি অমসুং রিগ্যুলর রেজিষ্ট্রার, এগজামিনেসন কন্ট্রোল্লর অমসুং লাইব্রেরিয়ন লোয়ননা দোক্টর লৌনবগী এদভর্টিজমেন্ট নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা পাঙথোকপগা লোয়ননা এ আরগী কেম্প কেম্পস মনুংদগী লৌথোক্লবা এম যুগী ওঠোরিটিনা মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টতা আপিল তৌরগনি হায়না থাজবা পীরক্লে। মখা তানা ভি সীনা একাদেমিক সেসন অসিগী প্রোস্পেক্টসকী মমল অসি ও বি সী অমদি জেনরেলগী ওইনা লুপা ৩০০ অমদি এস টি অমসুং এস সীগী ওইনা লুপা ২০০ দা অতাবা মমলদা ফংহল্লগনি, এম যুগী ষ্টাফ অমসুং ওজাশিং মতম চানা লাক্তুনা মথৌ পাঙথোকহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লগনি হায়না থাজবা পীখ্রে।

ঈশিং ঈচাও মায়োক্নদুনা এগজাম থারিবা মহৈরোয়শিং এম যুগী হোষ্টেলশিংদা লৈহনবা, য়ুনিভর্সিটি অসিগী বোইজ হোষ্টেল নম্বর ৫ সেসন হৌবা নংনবা হাংদোকপা, পি ঐচ দিগী ফেলোশিপ থা অহুম খুদিংগী পীথোকপা হায়না য়ানখ্রে।

এম যুগী ভি সীগী ওফিস হৌখিবা জুন ২৭ তগী মুসুনা থিংজিল্লকখিবা অমসুং ঙরাংদগী এ ব্লোক য়াওনা এম যুগী ওফিস কয়া থোঙ লোনশিনখিবগী থৌওং অদু হন্দোকখ্রে হায়রি। মুসুগা ভি সীগা য়ানখিবা ৱাফমশিং অদু থবক্তা ওন্থোরক্তুবদি মখা তাবা মখল-মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়না মুসুগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ বিরবলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## পূক্নিংগী নাচোম ফোঙলগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) : নোংচুপ হারম খোর্জেলুপ (নোহাখোল) য়ুরেম্বমগী ১৫৫ শুবা পব্লিকেসন্স ওইনা তোংব্রম শামুভৌনা ইবা পূক্নিংগী নাচোম হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা থা অসিগী ৯গী নুংথিল পুং ২ তাবদা সগোলবন্দ লাংজিং অচৌবা মমাঙ লৈকায়দা ফোঙলগনি। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা পাৎশোই এ সীগী এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা চীফ গেষ্ট, ডা. এল শশীকুমার য়ুরেম্বম, প্রসিদেন্ট নোহাখোলনা প্রসিদেন্ট অমসুং সোরোকখাইবম নবা ভাইস প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু এস সী লাংজিং অচৌবা, ডা. কোইজম শান্তিবালা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর এম য়ুনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াগনি হায়না নোহাখোলগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. আই এস য়ুম্নামনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ফিশরি সাইন্স তম্বগী রিজল্ট হায়দোক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) : দিরেক্টোরেট ওফ ফিশরিজ মণিপুরনা চহী ৪গী দিগ্রী কোর্স বেচেলর ওফ ফিশরিজ সাইন্সতা তম্নবগী এন্ট্রান্স টেষ্ট পাঙথোকখিবা অদুগী রিজল্ট থা অসিগী ৩ দা হায়দোকখ্রে। খনগৎলবশিং অদুদি, এস টিগী রোল নম্বর ১৮১, এস সীগী রোল নম্বর ১৭৬, জেনরেল ও বি সীগী রোল নম্বর ১২৩, এস টিগী রোল নম্বর ১৯২, ও বি সীগী রোল নম্বর ২৩০, জেনরেলগী রোল নম্বর ১১৭, এস টিগী রোল নম্বর ১৩৫, জেনরেলগী রোল নম্বর ১৮২ অমসুং জেনরেলগী ১৪০ নি। লোয়ননা রোল নম্বর ১১১, ১২৪, ১৫৬, ১৬৬ অমসুং ১৬৯ অসি ৱেটিং লিষ্টতা থল্লে। এন্ট্রান্স টেষ্টতা খল্লবা কেন্দিদেট মাপন অসি থা অসিগী ১০গী মমাঙদা মপুং ফাবা বাইওদাটা, মার্কসীটকী এটেচেদ কোপীশিং অমসুং এজ প্রুভ সর্টিফিকেট, দোমিসাইল সর্টিফিকেট, আধার কোপী, বেঙ্ক একাউন্ট কোপীগা লোয়ননা রিপোর্ট তৌরনবা দিরেক্টর ওফ ফিশরিজনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ঈচাওগী ফীভম য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) : ডা. সায়দ বর্হাউদ্দিন চ্যেরপার্সন মণিপুর ষ্টেট মাইনোরিটিজ কম্মিসননা থা অসিগী ২গী অয়ুক্তা ইম্ফাল তুরেলগী নোংপোক থংবা তোর্ব্বান কায়দুনা থিংনবা হোৎনরিবা মফম অদু য়েংশিনখি। থা অসিগী ৪ ফাওবদা ঈশিং থিংবা ঙমদবদগী ঈচাওনা য়ূম ১০ হেন্না থুদেকখ্রে, পোৎ-চৈ কয়া মাঙ তাকহনখ্রে। লোয়ননা লৌ পরি লিশিং কয়া ঈশিংনা লাকহৎখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি। রিলিফ কেম্প অহুমদসু চৎতুনা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েনখি হায়না চেরোল অমনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা তেংবাংবীনবা আপিল তৌরক্লি।

# নুপীদা চখবা ক্রাইম হেনগৎলকপদা নুংনাংবা-নুংঙাইতবা পোকই : য়ু সী এম

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) : অনৌবা লায়চৎ অমা ওইনা মণিপুরদা তেনখ্রবা মতম খরা অসিদা নুপী-অঙাংদা চখবা ক্রাইমশিংগী মশীং হেনগৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)গী মায়কৈদগী নুংনাংবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

য়ু সী এমগী সেক্রেটরি আই পি আর লৈশেম্বা লামাবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি চপ চানা থেংননবা ঐখোয় পুন্নমক্না হোৎনফম থোকই হায়না খল্লি। মতাং মতম চানা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু অথুবা মতমদা এক্সন লৌখৎকদবনি।

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা সিরারাখোংদা বিমোলা কৌবী অমা মীহাৎ থীনা হাৎখিবা, অমদি তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদসু নুপীশিংবু মীহাৎ থীনা হাৎপশিং অসি য়েংদুনা লৈবা য়াররোই। হৌজিক মীয়াম্না পান্নদ্রিবা মোব জষ্টিশ অসিগী মরুওইবা মরমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অসি মতম চানা গভর্ণমেন্টনা মতিক চাবা চৈরাক পীবা ঙমদবা অসিননি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মোব জষ্টিশ য়াদে হায়রবসু মীয়াম্না পান্বা চৈরাক অদুদি ঙসি ফাওবা মতম-মতমগী পাল্লিবা গভর্ণমেন্টশিংনা পীখিদবনা লৈবাক অসিগী লোদা থাজদবগী মরম ওইরকই হায়বসি ককপা য়াররোইদবা ৱাফমনি। ঐখোয়না অৱাংবা থাক্তা থল্লিবা জুদিসিয়ারিনসু মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা মায়কৈ অসোমদা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং ময়েক শেংনা মীয়াম্না পেনগদবা মওংদা পাঙথোল্লবদি য়াম্না পেনগনি অমদি মোব জষ্টিশ হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খল্লি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা অমুক য়াম্না ঙকপা মওংদা লমগী ৱাহৌদগী মতম শাংনা লৈমিন্নরক্লবা মীয়াম অমগী মরক্তা খৎন-চৈনবা, হাৎন-শুনবা থোরক্লিবশিং অসি ঐখোয় পুন্নমক্কী লাইবক থীবনি হায়না লৌই। মসি ঐখোয়না মুন্না খন্থরগা থবক তৌবা চঙই। মরিং খুঞ্জাশিংগী মরক্তা লমগী ৱাহৌদগী য়ূম মৈ থাবনচিংবা তৌরক্লিবশিং অমসুং থাঙ্গ অমদি মোইরাংনা লমগী ৱাহৌদগী খূৎথানরক্লিবা ময়াম অসি য়ারিবমখৈ তৌদনবা য়ু সী এমগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী মনুংগী ওইবা ৱাফমশিংদা চাওনা অকায়বা তপ্না-তপ্না পীরকই। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশিনদবগী পল অমা তপ্না-তপ্না খাগৎলকই। মসি খন্থবীরগা ঈংন-তপ্না ফম্মিন্দুনা লোইশিন্নবা হোৎনমিন্নসি। মসিদা য়ু সী এমগী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়রি।

হৌজিক য়ু সী এমগী ওইনা মীয়ামগী শেল অমদি পোৎ-চৈগী মতেং লৌবগী ৱাফম লৈতে। চহীসিগী জুন ১৮গী ওইনসু মখা তানা মীয়ামদগী শেল অমদি পোৎ-চৈগী মতেং লৌদ্রে। কনাগুম্বা মীওই খরনা য়ু সী এম অমদি জুন ১৮গী মিংদা মীয়ামদগী শেল অমদি পোৎ-চৈ লৌবগী পাউ য়ু সী এমদা ফংলে। মসি খুদক্তগী তোকপীয়ু অমদি মীয়াম্নসু অসিগুম্বা মীওইশিং অসি লাক্লবদি শেল অমদি পোৎ-চৈ পীবীদনবা ৱাফম ফোঙদোরকপগা লোয়ননা য়ু সী এমদা পাউ পীবীয়ু হায়রি।

# তম্ফাসনা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা এদমিসন তৌবা থিংজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) : তম্ফাসনা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা তম্নবগী কমন এন্ট্রান্স টেষ্ট হৌখিবা জুন ১৯ দা তৌখ্রবা মতুংদা জুন ২১ দা রিজল্ট আউট তৌখিবা অদু অশোয়বা য়াওরে হায়দুনা অমুক হন্না রিজল্ট আউট তৌবদা য়াওরকপশিং সাইন্স ষ্ট্রিমদা এদমিসন তৌবা য়ারগনি হায়না নোটিশ থোকখ্রবা মতুংদা এদমিসন তৌনবা গার্জিয়ানশিং স্কুলদা থোমজিল্লকপদগী এদমিসন তৌবা থিংজিনখ্রে।



এদমিসন তৌবা থিংজিনবগী থৌদোক ঙসি টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা থোকখিবা অসিগা মরী লৈননা লাইরেঞ্জম মেকোলাদগী নান্দেবম শঙ্গাইজাও কৌবা গার্জিয়ান অমনা ফোঙদোরকপদা কমন এন্ট্রান্স টেষ্ট তৌখ্রবা মতুংদা অশোয়বা খরা লৈরে হায়দুনা দিরেক্টরনা পাউচেশিংদা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা অনীশুবা চেক্কিং তৌবদা মার্ক ৱাংনা ফংলম্বা অদুনা নেম্না ফংই, অদুগা নেম্না ফংবা অদুনা ৱাংনা ফংখি অমদি সিষ্টেম অদু খজিক্তং ফজদবা লৈখ্রে। অহানবা হায়দোকপা রিজল্টতা বেজ তৌরগা চাদা ৪২ না জেনরেলগী সাইন্স ষ্ট্রিমগী ওইনা কট ওফ মার্ক ওইরগা অতোপ্পা চাদা ৪১ না ও বি সীগী সাইন্স ষ্ট্রিমগী মহৈরোয় লৌগনি হায়দুনা মার্ক অদু লাল্লে হায়দুনা দিরেক্টরনা ফোঙদোরক্লবসু অমুক হন্না মার্ক অসি চেক তৌগনি হায়দুনা তৌবদা চাদা ৫৫ অমসুং ৫৬ অসি সাইন্স ষ্ট্রিমগী ওইনা থোরকখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না চাদা ৫০ দা সাইন্স ষ্ট্রিমগী ওইনা থোরক্লে। ঙসি ইনৌনৌনা পাউফংবদগী চাদা ৪২ না কট ওফ মার্ক ওইরগা সাইন্স ষ্ট্রিমদা মিং চনবা য়ারগনি হায়বদগী ঙসি মহৈরোয়শিংনা এদমিসন তৌবা লাকখিবনি। নোটিশ থোকখিবদা অপূনবা সীট মশীং হায়দে। হান্না লাকপদা খুদোংচাবা পীবা ওইবা তারবদি চাদা ৪২গী কট ওফ মার্ক ফংলিবশিংগী মরক্তা য়াওরিবা ইচানুপীসু মিং চনগনি হায়না লাকপদা মী ৯২গী মথক্তা লৈরমখি।

খ্বাইদগী নৌবা ওর্দর অসি স্কুল অসিগী প্রিন্সিপালনা থোকখিবনি। করম্না থোক্লিবা ওর্দরনো হংবদা মথক থোংবগী ওর্দরনা থোকপনি হায়না ফোঙদোরকখি। মদু ওইবা তারবদি ওর্দর অসি কেন্সেল তৌবীরো নুমিৎ ২/৩ য়েংলগে হায়রিঙৈ মতমদা পুলিস পার্সনেলশিং মফম অসিদা লাকখিবনি। ঐখোয়না হায়নিংবদি চাদা ৪২ ফংলক্লবা খুদিংমক অসি মিং চনবা য়াহনবীয়ু। মমাঙগী লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনদি মশীং য়াম্না মহৈরোয়শিং স্কুল অসিদা তমহন্নবা লৌখি। মরম অদুনা অরাকপা খুদিংমক মিং চনবা ফংহনবীয়ু হায়বসিনি হায়খি।

স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল লাইশ্রম বিরেননা ফোঙদোরকপদা কমন এন্ট্রান্স টেষ্ট তৌনবগী ইন্টরনেটতগী ফোর্মশিং লৌরগা থাজিল্লকখি। মতুংদা এন্ট্রান্স টেষ্ট তৌরে অমদি মহৈরোয়শিংনা ফংবা মার্কশিং অদু ইন্টরনেটতা অপলোদ তৌই। মদুদা নুপা-নুপী পূন্না থাগৎপনিনা স্কুল অসিগীদি নুপী ঙাক্তা তম্বনিনা নুপীগী লিষ্ট অমা শেমখি। কট ওফ মার্কতি স্কুল-স্কুলনা লেপচরো হায়না সাইন্স ষ্ট্রিমদা সীট ৪০০, আর্টস ষ্ট্রিমদা সীট ৩০০, কমর্স ষ্ট্রিমদা সীট ১০০ লৌগদবনি। অহানবগী কট ওফ মার্কতা লৈবসি জেনরেল কেটগরিগী চাদা ৫৬, এস টি অমসুং এস সীগী চাদা ৫৫ অমদি আর্টকী ওইনা জেনরেলগী ৫১ অমসুং কমর্সকী ওইনা চাদা ৪৮ নি। অহানবদা মার্ক ৱাংবা মহৈরোয়শিং লাকপা খরা ৱাৎপদগী পাউ-চেশিংদা নোটিশ অমুক হন্না থোক্তুনা এন্ট্রান্স টেষ্ট তৌবদা মথংদা মহৈরোয় ৫০ খক্তা অমুক হন্না পাঙথোকখি।

স্কুল অসিগী সীট কেপাসিটিনা সাইন্স ষ্ট্রিমগী ৪৯, আর্টস ষ্ট্রিমকী ৪২, কমর্সকী ৩৫ নি। সীট মশীং য়াম্না হাংদ্রবনিনা কট ওফ মার্ক অসি দাউন খরা য়াম্না তৌরগা ফার্ষ্ট কম ফার্ষ্ট সর্ভ বেসিস্তা মার্ক য়াম্না ফংদবা মীগীসু খুদোংচাবা পীনবা হায়দুনা মার্ক হন্থহনবনি। মার্ক য়াম্না হন্থরবনিনা মহৈরোয় অমসুং গার্জিয়ানশিংনা মফম অসিদা মিং চনবা লাকখিবনি। নোটিশ থোকপদা লিমিটেদ সীটনি হায়দুনা মশীংদি পলহৌদ্রে। মিং চনবা পোস্পোন্দ তৌরে, নোংমা নীনিগী মতম পীবীরো হায়না গার্জিয়ানশিংদা হায়জখিবনি। গভর্ণমেন্টদা প্রপোজেল অমা থারগা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংজগে অমসুং সীট খরা হেনগৎনবা হায়জগে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌজিক হাঙলিবা সীট অসি সাইন্স ষ্ট্রিমদা ১০, আর্টস ষ্ট্রিমদা ২৩ অমসুং কমর্স ষ্ট্রিমদা ১৭ নি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা নংলবশিংদা চেঙ, হৱাই য়েন্থোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) : কোংবা তুরেলদগী পাথোরকপা ঈশিংনা থুমজিন্দুনা অৱাবা তারবা ইমুংশিংগীদমক পোরোম্পাৎ থৱানথাবা কম্যুনিটি হোলদা রিলিফ কেম্প হাংলিবা অসিদা য়ুমথোঙ ৩২৮দা চেঙ, হৱাই য়েন্থোকখ্রে হায়না অনইমপ্লোয় য়ুথ লর্নরস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, রিলিফ কেম্প অসিদা মতেং পাংলকখিবশিংদি এম এল এ ইন্দ্রজিৎনা চেঙ কে জি ৭৫০, থুম কে জি ৫০, হৱাই কে জি ৫০, শেল ওইনা লুপা ১,৫০০; দি সী ইম্ফাল ইষ্টনা চেঙ কে জি ১২৫০, থুম পেকেট ২৫০, হৱাই কে জি ২৫০, অচাথাউ হাল্ফ লিটরগী বট্টল ২৫০; জিলা পরিষদ মেম্বর ইতোবীনা লুপা ৫,০০০; প্রধান টোপ নাওরিয়া জি পি দেবীতানা লুপা ৩,০০০; টোপ নাওরিয়া জি পিগী ৱার্দ নম্বর-২গী মেম্বর প্রমোনা লুপা ২,০০০; সোসল ৱার্কর তমানা লুপা ১,০০০; অশোককুমারনা লুপা ৫০০; রোজিৎনা লুপা ১,০০০; নির্মালানা লুপা ১,০০০; ৱাহেংবম ফ্রী মেন্টেলনা লুপা ১,০০০নি।

এসোসিএসন অসিনা অৱাবা তারবা লৈকায় অসিগী মীয়ামদা রিলিফ পীবিনবা অইবা চেরোল পীখি। দি সী পোরোম্পাৎনা এসোসিএসন্না থাগৎলিবা হাউসহোল্ড মশীং অসি থাজদবগী মওংদা রিলিফ মেটরেল শুনা পীদনবা হোৎনরকপদগী এসোসিএসন অসিনা লোকল এম এল এদা খঙহল্লগা দি সী পোরোম্পাৎকা ৱারী শানহনখি।

য়ুম ৩০০গী মথক্তা লৈফম, চাফম খঙদা লৈরি। থৱানথাবা লৈকায়দা য়ুম ৩৫০ রোম রিলিফ মেটরেল ফংফম থোকপনি। দি সীনা য়ুম ৪৫গী পোৎচৈ পীরগে হায়রকপদগী এসোসিএসন অসিগা নিংঙাই শংদানখি। রিলিফ অসিদা মতেং পাংবীরক্লিবা খুদিংমকপু ঈকায় খুম্নবা উৎলি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# লম্ফেল সুপর মার্কেটকী দুকানশিং নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা শীদোক্কদবনি : লূপশিং

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল সীটিবু লু-নান্না থম্নবা পান্দমদা গভর্ণমেন্টনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাংবুদি হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎলি। অদুবু লম্ফেল সুপর মার্কেটতা মথোং হুক্তবা য়ূম মানবা দুকানশিং লৈরিবা অসি নুমিৎ ৫ নিগী মনুংদা গভর্ণমেন্টনা শীদোক্কদবনি হায়না চাউখৎ থৌরাং নুপী লূপ, লম্ফেল সুপর মার্কেট অমসুং জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোলনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা চাউখৎ থৌরাং নুপী লূপ অমসুং জোইন্ট এক্সন কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এস ইবেতোম্বীনা হায়খি, লম্ফেল সুপর মার্কেটতা পোৎফম ফল্লিবীশিংনা মী অমনা দুকান ১০মুক কন্দুনা দুকানগী মিংদা য়ূম ওইনা লৈশিনবা অসিনা কৈথেল অসি মশক থীহল্লে। হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শাননবা কয়ারক হন্না হোৎনবদসু তাশিন্নদনা লৈশিল্লে। লম্ফেলগী কৈথেল অসি মৈরা পায়বী অমদি ক্লবনা ঙাক শেন্দুনা লাকখিবনি। লম্ফেল কৈথেল অসিদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোক্লকপদা ক্লব অমদি মৈরা পায়বীনা ঙাক শেন্দুনা লাকখিবনি। মওং-মরিল তাবা কৈথেল অমা ওইহন্নবা গভর্ণমেন্টতা তক্নদুনা লাকখি।

কৈথেল অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা অমসুং চাবশিংগী মকোন ওইরিবসি ওইহন্নীংদে। মরম অদুনা লু-নান্বগা মরী লৈনহন্দুনা কৈথেলগী মশক ওইনবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা য়ূম মানবা দুকানশিং অসি শীদোকপীদ্রবদি মখা তাবা থবক পায়খৎলগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## লৌপূশিংনা তৌখিবনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তেন্থা জি পিগী ৱার্ক নম্বর ৮ অমদি ১০গী মরক্তা তৌখিবা থোং অহনবী কেনেল অসি লৌ মপূশিংনা শেল খায়নদুনা তৌখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি। অদুবু তেন্থা জি পিগী ওঠোরিটিশিং অমদি ওফিসলশিংগা মান্নরগা এন আর ঈ জি এসকী মিংদা কুমজা ২০১৬-১৭ দা শেল লৌথোকখ্রবরা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়না ২২/১০ তেন্থা গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ নম্বর ১০গী পঞ্চায়ট মেম্বর এন বিশ্বভরনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লি। এন আর ঈ জি এসকী মিংদা য়াম্লবা শেনফম অমা লৌথোকখ্রবরা হায়বগী চিংনবা লৈরিবা অসি কোকহনবীনবা মরী লৈনবা ওঠোরিটি অমদি আর দি মিনিষ্টরনা থিগৎপীনবা ফোঙদোরক্লি।

# আর এম এস এগী ওজাশিং ঙসিদগী সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক তৌরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) : রাষ্ট্রিয়া মধ্যামিক সিক্ষ্য অভিয়ান (আর এম এস এ)গী ওজা ৭৮০গী থা ৬/৭ কী তোলোপ পীথোকপবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হয়েংদগী সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইকী খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা সিট ইন প্রোটেষ্ট চখরগনি হায়না আর এম এস এ গ্রেজ্যুয়েট টিচর এসোসিএসন মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি পামৈ জিওনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা পামৈ জিওনা মখা তানা হায়খি, আর এম এস এগী ওজা ৭৮০ রোমগী থা ৬/৭ কী তোলোপ পীথোক্তবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর উননবা অনীরক হোৎনবদা উনবা ফংখিদে। মখা তানা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমসুং এদ্যুকেসন কম্মিস্নরদসু অইবা চেরোল পীশিনখি।

হৌখিবা জুন ৮ দা ওজাশিংনা রেল্লি অমা চৎখি অমসুং চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা ৱারী শাননবা হোৎনবদা উনবা ফংখিদে। মতুংদা হৌখিবা জুন ১৩ দা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগা উনবদা জুন থা অসিগী মনুংদা তোলোপ পীথোক্লবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকপীরক্লবসু হৌজিক ফাওবা তোলোপ পীথোকপীদ্রে। মনুং হঞ্জিনবা স্কুলশিংদা ওজাশিংনা চৎপা ঙল্লরোই হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা হয়েংদগী খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি।

এদ্যুকেসন দিরেক্টর উনবা চৎপদসু ঈশিং চাওবনা মরম ওইদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওফিস কারক্তে। উনরুনবা কয়ারক হোৎনবদা হৌজিক ফাওবা উনবা ফংদ্রি অমদি মনুং হঞ্জিনবা মফমদা পোষ্টিং লৈবা ওজাশিংসু লৈফমগী রেন্ট পীবা ঙমদ্রে হায়দুনা ময়ূমদা হল্লক্লে অমসুং অতৈ অতোপ্পা ওজাশিংসু স্কুল চৎপা ঙল্লরোই হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা দিমান্দ অসি ফংদ্রিবা ফাওবা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইককী খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা সিট ইন প্রোটেষ্ট থাও গ্রাউন্দ, থাংমৈবন্দদা চখগনি হায়না ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্টনা রিগ্যুলর পোষ্ট ওইনা লৌখিবা ইমপ্লোয়ীশিংগী থা ৬/৭ কী তোলোপ ফংহনদ্রিবসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনগদবনি হায়রি।

# 'সাইবরদা খুদোংচাদবদগী ট্রানজেক্সন মতম চানা তৌবা ঙমদবনি'

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) : আধার বেজ ট্রানজেক্সন হৌখিবা জুন ১২ দা লাকখিবদগী সাইবরদা করিগুম্বা মতমদা স্লো চৎপা অমদি দাউন তৌবদগী বেঙ্কতা মশা-মশাগী একাউন্টতা থমজরিবা শেল মতম চানা পীবা ঙমদবগী মরম ওইবনা মীয়াম্না লান্না লৌমীগনু হায়না য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওই ইন্দিয়াগী ময়ান্ত্রাগী এরিয়া মেনেজর হুইদ্রোম সুভাসচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা হুইদ্রোম সুভাসচন্দ্রনা মখা তানা হায়খি, য়াম্না মরুওইবা গভর্ণমেন্টকী স্কিমশিংগীবু ওইরো নৎত্রগা মশা-মশাগী একাউন্টতা থমজরিবা শেলবু ওইরো, কষ্টমর অদুনা একাউন্টতগী লৌথোক্কে লাকপদা মতম চানা পীবা ঙমদবা অসিদা কষ্টমরশিংনা ময়ান্ত্রাশিংদা অকনবা ৱা হায়রকপা অমদি দিপার্টমেন্টশিংনা কমপ্লেন্ট তৌরকপসি ঐখোয়গী ইরাল নত্তে। মরম অদুনা কষ্টমরশিংনা লান্না লৌবীগনু। বেঙ্ককী মায়কৈদগীসু কমপ্লেন্ট তৌবা লৈখ্রে অমসুং মরী লৈনবশিংনসু অথুবা মতমদা ট্রানজেক্সন য়ানবা হোৎনবীয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# 'আই টিগী ওপন টেন্দর অমুক হন্না য়েংশিনবীয়ু'

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ কোর্টরস তরুক বিষ্ণুপুর, থৌবাল, চুড়াচান্দপুর, তমেংলোং, চান্দেল অমসুং সেনাপটিগী টেন্দর হৌখিবা জুন ১৩ দা ৱায়রলেস ইন্টরনেট কনেক্টিভিটিগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা টেন্দর তৌখিবা অদু অমুক হন্না য়েংশিনবীয়ু হায়না ওল মণিপুর ইন্টিগ্রেটেদ আই টি সোল্যুসননা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ওল মণিপুর ইন্টিগ্রেটেদ আই টি সোল্যুসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দিনাকুমার লোংজমনা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট তরুক্কী ৱায়রলেস ইন্টরনেট কনেক্টিভিটিগী ওপন টেন্দর তৌখিবা অদু নুমিৎ তরুক্লিদগী হেন্না মতম পীখিদে। মদুগী মথক্তা ওপন টেন্দরনিদি হায়রগা ক্রাইটরিয়া ময়াম অমা থম্মী। ওপসনেল ওইবা ৱারোলশিং পীদে। কিলোমিটর ৫০ শুদ্রবদি টেন্দর অসিদা য়াওবা য়াহন্দ্রে। মসিনা টেন্দর থাদরকপা ফার্মগী চাদা ৯০ দি লৌথোকখ্রে অমদি টেন্দর অসিদা সিক্যুরিটি দিপোজিটকী ৱাফমসু পন্দে।

থৌওং অসি সেলেক্তেদ টেন্দরনি হায়না লৌই হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা মরাল শীরক্লি। লোয়ননা ফার্ম অমগা মান্নরগা তৌবা থৌওংনি হায়না য়ানিংদবা ৱাফম ফোঙদোরকপগা লোয়ননা হীরম অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীদুনা লোকেলগী ফার্মশিং টেন্দর য়াওবা য়াহন্নবা হোৎনবীদুনা অনৌবা ওপন টেন্দর অমুক হন্না তৌনবা তকশিল্লক্লি।

# নুপামচা অমা ময়ূমদগী থোকখিবদগী হঞ্জিল্লক্ত্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) : কৈরেনফাবী মমাঙ লৈকায়দগী মোইরাংথেম সনায়াইমা অমদি মোইরাংথেম ওংবী থাজগী মচানুপা মোইরাংথেম রোহিট (১৮) হৌখিবা জুন ২৪গী অয়ুক পুং ৯ মুক তাবদা ফোন অমা লাক্তুনা ময়ুমদগী থোকখিবদগী ঙসি ফাওবা হঞ্জিল্লক্ত্রে অমসুং থিবা খঙদনা লৈরি হায়না য়ুনাইটেদ ৱিমেন দিভলপমেন্ট বিষ্ণুপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে তোম্বীসনানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা আর কে তোম্বীসনানা মখা তানা হায়খি, ময়ূমদগী থোকখিবদগী মফম খঙদনা লৈরিবা নুপামচা অসি মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস টুয়েল্ভ তম্লিবা মহৈরোয়নি। হৌখিবা মে ৩০ দা মোইরাং খুনৌদগী নুপীমচা অমা চেল্লকখি। অঙাং ওইরি হায়দুনা খাইদোক্লরগা লৈরবা মতুংদা হৌখিবা জুন ২২ দা অমুক হন্না নুপীমচা অদু চেল্লকখি। নোংঙাল্লগা নুপী হায়দোকপা চৎখিবা অদুদা য়ানদবদগী রোহিটকী মাম্মা অদু নুপী ময়ূমদা ফাজিন্দুনা থমখি। মতুংদা ৱারী শানরবা মতুংদা মাম্মা অদু থাদোরকখি। অসিগুম্বা ফীভম অসি লৈরিঙৈদা হৌখিবা জুন ২৪গী অয়ুক পুং ৯ লোম তাবদা ফোন অমা লাকখি অমদি মোবাইলদা ৱারী শানরবা মতুংদা রোহিট ময়ূমদগী থোকখিবদগী ঙসি ফাওবা হঞ্জিল্লক্ত্রে। মনাক নকপা কৈবুল পুলিস ষ্টেসনদা মিসিং কমপ্লেন্ট অমা তৌখ্রে। হায়রিবা অঙাং অসি কনাগুম্বগী মনাক্তা চঙলকপা নৎত্রগা থেংনবীবা তারবদি অপোকপা মমা-মপাদা নৎত্রগা মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনদা পাউ পীবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি। পাউমীশিংগা উনবা অদুদা রোহিটকী অপোকপা অমসুং অপোকপীসু শরুক য়াখি।

# সস্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোলগী এজেন্দাশিং নৈনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) : সিভিল সোসাইটি কোলিসন ওন হ্যুমেন রাইটস ইন মণিপুর অমসুং য়ু এননা সপোর্ট তৌবা সস্টেনেবল দিভলপমেন্ট এজেন্দা এস দি জি গোল ১৭ হায়বসিদা খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা সস্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল এজেন্দা ২০৩০ ফোঙবগী থৌরম মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ডা. দেববর্তা কনভিনর সিভিল সোসাইটি কোলিসন ওন হ্যুমেন রাইটস ইন মণিপুর অমসুং য়ু এন, ফুলেন্দ্রো কোন্সম চ্যেরমেন কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটস অমসুং ঈ বিজয় প্রসিদেন্ট সী এস সী ঐচ আরনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স হায় লেবেল পোলিটিকেল ফোরম ওন সস্টেনেবল দিভলপমেন্টকী মীফম থা অসিগী ১০ দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্লবা মতম লেপখিবা অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা রিভিয়ু তৌনবা সমিট তৌখিবা অহানবা নেসনল ভোলুন্টরি রিভিয়ু অসিবু শৌগৎলি। অদুমওইনমক নেসনল ভোলুন্টরি রিভিয়ু অসিদা আর্মদ কনফ্লিক্ট লৈরিবা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা নুংনাংবা লৈবগা লোয়ননা ৱাফম কয়া অরানবা মওংদা ফোঙদোকপা লৈরে।

ইন্দিয়াগী নেসনল ভোলুন্টরি রিভিয়ু অসিগী এস দি জি ১৭ অসিগী মনুংদা ৭ খক্তমক্তা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লিবা অসিনা মালেমগী ওইনা সস্টেনেবল দিভলপ-মেন্ট এজেন্দা পাঙথোরকপদা নুংনাংনিং-ঙাই ওইবা মরম কয়ামুক য়াওরে হায়রি।

সস্টেনেবল দিভলপমেন্ট এজেন্দা অসি গভর্ণমেন্টশিং, লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিং, স্কুলশিং, সহরশিং অমসুং খুঙ্গংশিং য়াওনা সেক্টর খুদিংমক্তা মথৌ পাঙথোক্তুনা পূন্না থৌদাং লৌমিন্নগদবনি। সিভিক অমসুং লোকেল বোদিশিং অমদি মণিপুরগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা মপুং ফানা তানদনা ইন্দিয়ানা নেসনল ভোলুন্টরি রিভিয়ু অসি শেম শাখি। মরম অদুনা এস দি জিশিং ইন্দিয়ানা চৎনহনবদা মোনিটরিং অমসুং রিভিয়ু তৌবগী তঙাইফদবা চাওনা লৈরি।

নোর্থ ইষ্ট হাইদ্রো কার্বোন ভিজন ২০৩০ শেমগৎতুনা চৎনহনবা অমসুং মণিপুর হাইদ্রো পাৱর পোলিসি ২০১০ না মণিপুরগী লম অমসুং নেচরেল রিছোর্সশিং এক্সপ্লোরেসন তৌবদা নৎতনা মণিপুরগী তুরেলশিংদা দাম কয়া শাগৎপা, মাইনিং অমসুং থাউ অমসুং গ্যাস ফংনবা মফম কয়াদা দ্রিল্লিং তৌবগী থবক পায়খৎলক্কনি। অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং অসি পায়খৎলকপনা ইন্দিজিনস পিপলস সেল্ফ দিটর্মিন দিভলপমেন্ট রাইটস মণিপুরগী লম অমসুং রিছোর্সশিংদা লৈগদবদু রিকগ্নাইজ তৌনবা হোৎনবদা মায়থীহনগনি হায়রি।

## ৱার্করস ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্ট

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) : রেজিষ্টর তৌরবা বিল্ডিং অমসুং অতোপ্পা কন্সট্রক্সন ৱার্করশিংগী মচা-মশুশিংগী এদ্যুকেসনেল ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্ট লৌনবগী এপ্লিকেসন পীশিল্লকপগী মতম অহানবা ফেজগী চহী খুদিংগী জান্যুৱারী ১ দগী মার্চ ৩১ ফাওবা ওইগনি অমসুং চহী অদুমক্কী জুলাইদগী য়েন্থোক্কনি। অনীশুবা ফেজগী এপ্লিকেসন সমিসন তৌবা জুন ১ দগী ওগষ্ট ৩১ ফাওবা য়াগনি। লোয়ননা দিসেম্বর থাদা য়েন্থোক্কনি হায়না মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সট্রক্সন ৱার্কর ৱেলফ্যের বোর্দকী সেক্রেটরিনা থোকপা নোটিশ অমনা হায়রি।

B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
(The longest Coaching Centre in Manipur and 21 years service)
Run by Resource Persons and Former Examiners
ADMISSION OPEN
FOR 2ND BATCH CLASS IX,X,XI & XII FOUNDATION COURSE-COHSEM & CBSE
CONGRATULATIONS!! CONGRATULATIONS!!
Our Selected Students for NEE-I Ent. Exam. 2017

Class starts on: 23rd June, 2017
Class timing: 4:30 p.m. to 7:30 p.m.
Office Hour: 4:00 p.m. to 8:00 p.m.
Limited Seat, Hurry Up!!!
Plz Contact: B.C.C. Manipur
(Elite Sr. Sec. Building)
Kakwa Asem Leikai, Burma Roaad
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9856310202
HL-B/3947/17/06-16/07